# ৪৭শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল ২০১৮-১৯

## তরামাথোইনিচনবা নুমিৎ, নুপা কাঙলূপকী মঙাশুবদা 'নাউশুম' উৎখ্রে

রাজেন খুমুকচম

*ইম্ফাল, মার্চ ১২ঃ*

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালনা শীন্দুনা টিঐচ ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন, পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা নুপী লূপ ১২, নুপা লূপ ৯না শরুক য়াগদবা ৪৭শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল ২০১৮-১৯ গী ঙসি তরামাথোইনিচনবা নুমিৎতা নুপা কাঙলূপকী মঙাশুবা লীলা ওইনা পোকলেনপোকপা আর্টিস এসোসিয়েসন, ইম্ফালগী 'নাউশুম' উৎখি।

নুপা লূপ ৯ গী মনুংদা ঙসি মঙাশুবা ওইনা উৎখিবা পোকলেনপোকপা আর্টিস এসোসিয়েসন, ইম্ফালগী 'নাউশুম' লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিং দি-নুপাগী শক্তমদা মুনান-লাইশ্রম সোনী (বোই), খাবা- কেঐচ ইথোই, তোম্পোক-শ্যামচান্দ শগোলশেম, ইঙেন-জেমসন শৈজাং, তোম্বী-বীমোল নিংথৌজা অমদি থোইগী শক্তমদা সুবাস থোকচোমনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা সনারৈগী শক্তমদা অঙাংচা, লাংলেনগী শক্তমদা দেনেশ, মঙলেম্বীগী শক্তমদা বুদ্ধ পুখাও অমদি অঙৈবীগী শক্তমদনা সোমোকান্তনি।

লীলা অসিগী ঈশৈ নোংমাইগী কাঙবুদনা নুপা খোঞ্জেলদা রোমেস কোঞ্জেংবম, নুপী খোঞ্জেলদা কেঐচ ধনেশ্বর, তবলাদা বুংচা, গিটরদা ইনাওবী, বাঁশি অমদি পেটদ্রমদা রোক্কী অথোকপম অমদি কি বোর্দতা জোতিননি।

লীলা অসিবু ইবনা বাবাচা তোংব্রমনি, ঈশৈ ময়েকসু বাবাচা তোংব্রমগীনি। লীলা অসিবু তাকপী তম্বীবনা খোইরাকপম ইথোইনি অদুগা ম্যুজিক দাইরেক্টরনা রোক্কী অথোকপমনি।

লীলা অসিগী ৱারীদি-মতমসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা তোৎশিন্নরগা শান্নরগসু ওইথোকপা ৱাগদবা থৌদোক খরবু চাংয়েং ওইনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎনবা হোৎনবনি হায়না লৌবা য়াই।

লমদমসিগী হৌনবী মহাক্কী নুপানা য়ু থক্তুনা ঙাওশিন্নদুনা লৈথোক্লগা নুপী ওইবীশিংনা মপান থোক্লা থবক শুরগা য়ুম পুজবা অদুবু মদুদা কনাগুম্বা মীনোক চাওবা কয়ানা অমুকসু পাওথোকপীবা করেম-কথাইনবীবা কয়া থোক্তবা নত্তে। অঙৈবী (সোমোকান্ত) থবক শুনিংদবা য়ুদা থক্তুনা লৈবা য়ুম্লে কৈরে নাতে চাদবা ইমুং অমদা লৈবা মুনানগী নুপীনি। মহাক্কী নুপানা চুম্না য়ু ঙাওবদা নত্তনা মরক-মরক্তা মহাকপু থেংনা মতম চাদনা য়ূমদা হঞ্জিল্লকই হায়দুনা ওক্তবীগী শাজৎ চৎলে হায়না থিনা-থিনা ঙাঙবীবতা নত্তনা ফুবা ফাওবা ফুবীখি। মতমসিদা অঙৈবীগী মনাওনুপা ইঙেলনা অশুক ৱানা য়ুম পুনবা হোৎনজরিবা ইতৈমবু তাবা ৱাবা ৱাহৈনা চৈবী-ঙাঙবীবা অসি ঙসিদি ফরে, করিগুম্বদা ইতৈমগী মরমদা ওইদবা ঙাঙলকপা তারগদি মালেমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংদি তোক্লন্দুনা লাই ফাওবা পরা তম্বীগনি হায়না ইঙেলনা মতৈমগীদমক পাম্বোম তিংদুনা ঙালকপদা য়ু ঙাওবা ময়াম্বা মুনাননা মখূত্তা পায়রিবা তোর্চ লাইট অদুনা ওক্তবীসিগী মীচং চঙবদা নত্তনা ঐগী চিনথক্তা খুম্মী হায়দুনা শুবদগী মনাওনুপা ইঙেল মমিৎ অনীমক উবা ঙমদদুনা অরুবা ফিভমদা লৈখি।

মনাওগী লায়েংনবগীদমক অঙৈবীগী মৌপ্বা মহাক্কীনা মশেন থোকপা তোম্পোক্তা পৈশা হংলুবদা য়ু থকপা থবক শুনিংদবা মীদা পৈশা থংনিঙাই লৈতে হায়দুনা থিনা চৈদুনা তাহ্নোকপীরকখিবদগী উপায় লৈতনা ময়ুমদা হল্লকখি। মঙাও থীবী সনারৈদি অরাংফম ফম্বগী মচানুপা তোম্পোকসি মমীৎ য়াম্মী লৈহৌদ্রবদি য়াররোই হায়দুনা ঙসিদি হল্লরোই লৈরগনি হায়না লাকপদগী মকুবোক্লা ফংলকপা শেনফম খূদিংমক মমৌনুপী সনাদৌ শিন্নদুনা ইমুং পুদুনা নুংঙাইনা লৈরি।

মায়কৈ অমরোমদা লাংলেন নৌনা অপোকপা মপা কায়নখ্রবসু লাইরিক লাইশু ফনা হৌরক্তুনা কম্পিটিটিভ একজামিনেসনদা মায় পাক্তুনা এস দি সি ওইরে। অদুবু মহাক্না ফম অদু পায়রে হায়দুনা অথোই নাপল কাবা তৌদনা তোল্ল তারবশিংগীদমক লেপ্তুনা ওফিসকী থবকপু ময়ুমগী থবক্লি খন্দুনা ওফিস মতম য়ৌদ্রিঙৈ অয়ুক পুং ৭ তগী ওফিস কাদুনা মীয়ামগীদমক থবক তৌজখি। মহাক্না খঙনজবা ইঙেলনা মমীৎ অনীমক উদদুনা লায়েংনবগী অচৌবা শেনফম অমা মথৌ তারে হায়বগী পাউ খঙলবদা মহাক্না ইঙেলবু দিল্লিদা পুদুনা মীৎ লায়েংননবা এরোপ্লেন টিকেটনচিংবা কক্তুনা হোৎনখি। চুম্না হোৎনবদা নত্তে, পূন্সিদা অমুক ফংলরোইদবা কখোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনরিবনি। মহাক্না ইঙেলবু দিল্লিগী মীৎ লায়েংফম হোস্পিটাল অমদা পুরগা ইঙেলবু খঙহন্দনা মহাক্কী মমীৎ অনীমক পীথোক্তুনা ইঙেলবু মমীৎ উবা মী অমা ওইহন্নবা থৱাই য়াওনা হোৎনখি।

ইঙেল মমীৎ উরে, অদুগা এস দি সি ওইরম্বী লাংলেননা হৌজিক মীতাংবী ওইরে। চুম্না মীতাংবী ওইবদা নত্তনা মহাক্কী লৈজরিবা লন-থুম, লৌরী-য়ুম্ফম পূম্নমক য়োম্হোক্তুনা ফংলকপা শেনফম পূম্নমক অদু কনা লৈজদ্রবা ওর্ফান হোম অমদা কখোল্লমদুনা মমা মচা অনীমক অতোপ্পা মফম অমদা চৎননবা থৌরাং তৌরিঙৈ মতমদুদা ইঙেল লাংলেনগী য়ুমদা লাকখি। মচাগী অকুপ্পা ৱাখল্লোন খঙলুদবী মমানা ইঙেলবু উবদা ৱারৌদুনা নঙগী হাক্তক্তগী ইচানুপী অসি মীৎতাংবী ওইরে। মসিদগী অহেনবা করি অতোপ্পা অমা ঐখোয়গী ইফমদগী পাল্লিবগে হায়না ৱারৌনা চৈরকখি।

মচা লাংলেনগী মশা শোক্তনবা মখূৎ খন্দুনা খামখি। অদুবু লাংলেননা মশামক মীতাংবী অমা ওইরবসু মহাক্কী মমীৎনা ইঙেলবুদি মীৎ উবা ঙম্বা মী অমা ওইহনবা অদুগীদমক চাওথোকচদুনা ইঙেলগী মফমদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

থিকা মচা-মচা খরা তৌবা খাবনা মহাক্কী থবক শুফমদা শিন্নী ওইনা নুং-লৈঙোই পেকপা য়াওরিবী অঙৈবীবু নত্ত মীৎয়েং য়েংননবা তত্তনা হোৎনখি। অঙৈবীনা মনাওনুপাগী মীৎ লায়েংনবা লাংলেনগা লোয়ননা দিল্লিদা চৎখ্রিঙৈদা মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা অঙৈবীনা লুপা লিশিং ৫০ লৌখি হায়দুনা মহাক্কী নুপাগী মফমদা থিকাদার খাবনা থৌবা লাকখি। মসিদসু নত্তনা অঙৈবীগী নুপামক্তদা খূৎশেমগী শাশিন্নবা ফোটো অমা উৎতুনা মখোয়গী য়ুম কায়ননবা শিনখি। মনাওনুপা ইঙেলগী মীৎ ওপরেসন মায় পাক্তুনা উবা ঙমদুনা মফমদা হায়রকখি। অঙৈবীনা য়াম্না তপ্না মদুগী চপ চাবা খুদম মখোয়গী তামোনা পীবীবা ঙমগদ্রা হায়রকপদা মপুরোইবনা থিকাদার খাবনা পীরম্বা ফোটো অদু উৎলকখি। ফোটো অদু অঙৈবীনা য়েংলগা সিবু কনানো হায়না হংলকখি। মপুরোইবনা মদুদা য়াওরিবদু ওক্তবী নঙ নত্রবদি কনাগী ওইগনি হায়রকখি। অঙৈবীনা ঈংনা তপ্না মখোয় তামো, হৌজিক্তি চাওখৎলবা কম্প্যুটরগী য়ুগনি, কম্প্যুটরনা শেমজিন-শাজিনবা ফোটো অসিনা মরম ওইরগা ঐবু য়ূমসি থাদোক্তুনা চৎলু হায়রবদি ঐনা থাংখিবা খোঙথাং অদু পূন্সিগী অরোইবা খোঙথাং ওইরগদবনি হায়রকখি। তাঞ্জাসিদা থিকাদার খাবা পৈশা থৌবা লাকপদা অঙৈবী থেংনবদগী অঙৈবীনা লৈত্ত-লায়রবা ওইরবসু নুংশি চান্নবা হিংমিন্নরিবা মীগী ইমুংবু থুগাইনবা শিল্লিবা করিগীনো হায়না থিকাদার খাবগী মখজাইদা মকনথি থোক্লা পেন্না খুৎপাক্লা থাখি। অশেংবদু হায়য়ু হায়না হায়রক্লবদা থিকাদার খাবা অঙৈবীগী নুপাগী মমাঙদা অঙৈবীদি লাঞ্জদবীনি ঐনা মাবু ঐগী ওইনিংবদগী শেমজিন শাজিনখিবা ঙাক্তনি হায়রকখি। মতমদুদা অঙৈবীগী নুপানা খাবদা ফরে নঙ লৈরমখো হায়না ইমুংদা চঙখিদুনা মখূৎ চাবা চৈতুপ অমা পায়দুনা থোরক্লগা খাববু হাৎলগে হায়না হোৎনরকপা মতমদা খাবনা ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু হায়দুনা লাওদুনা চেনখি।

মীৎ উরমদবদগী উরক্লবা ইঙেলনা হরাওবগী মহুত্তা লাংলেননা ওইরম্লিবা ফিভম অদুদা থম্মোই কায়খিদুনা ঐদি মখা তানা হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রে হায়দুনা হু থক্তুনা শিজনবা হোৎনবদা মতৈমনা ইঙেলগী খোঞ্জেল তাবদা লাংলেনগা মহৌশাগুম ইঙেলগী মনাক্তা চঙশিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা লাংলেন মীৎ অনীমক য়াওদ্রবী ওইবনা তুশিনবদা ইঙেলনা লাংলেনগী ওইরম্লীবা মতৌ অদুদা কোনখৎনবা হোৎনরুবা মতমদা মমানা ইঙেলবু ময়ুমদা থোরকপা নুমিৎতা অঙৈবীগী মপুরোইবনা অঙৈবীবু উবা মক্তদা থিকাদার খাবনা ফত্ত শরৌদা পীরম্বা ফোটো অদুনা মরম ওইরগা থিনা ঙাংদুনা মফমসিদদা নত্তনা মীরমদা ফাওবা ওক্ত লিচৎ চৎলুরবী নঙ মফম অসিদা চঙলকপা য়ারোই হায়দুনা অঙৈবীগী থেংনরবসু লায়কন্নবা ঙমদ্রবা মতাং ওইখিবনা মতৈমনা ইঙেলবু মথানুংদা চেংনা কোন্দুনা নুংঙাইবা শরুক ফংলক্ত্রবা নঙনা তৌরিবা মতৌ অসি করিনো হায়না থম্মোই ফুক্না কপ্পনা লীলা অসিগী অরোইবা শরুক ওইখি।





# গোৱা মুম্বাইগী মখূত্তা ০-১ দা মায়থিখ্রবসু এগ্রিগেটতা ৫-২ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে

*পানাজি, মার্চ ১২ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি গোৱাদা লৈবা ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা মুম্বাই সিটি এফসিনা এফ সি গোৱাবু ১-০ দা থোইবা ঙমখ্রবসু এগ্রিগেটতা গোৱানা ৫-২ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা মুম্বাইনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবদা এফ সি গোৱা মুম্বাই সিটি এফসিবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবগী চাওনা খুদোংচাবা লৈখিবনি।

গোৱাদা লৈবা ফাটোর্দা ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু হেক হৌবদগী মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাফেল বাস্টোসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোথরবা এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরক্তুনা মুম্বাইগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা লাকখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী মুম্বাইনা গোৱাবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল শোথরিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা মুম্বাইগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথখি। মরম মরক্তা মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু মুম্বাই সিটি এফসিনা এফ সি গোৱাবু ১-০ দা থোইবা ঙমখ্রবসু এফ সি গোৱানা এগ্রিগেটতা ৫-২ দা হেন্দুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



# জপানগী নাওমী ওসাকা বি এন পি পরিবাস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ইন্দিয়ান ৱেলস, মার্চ ১২ঃ*

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকা ইন্দিয়ান ৱেলসতা চথরিবা বি এন পি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২৫শুব সিদেদ য়ুএসকী দি কোল্লিন্সপু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা মরিশুবা রাউন্দদা ২৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী ই আলেকজান্দ্রোভাবু ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা রোমাসিয়াগী বোনাভেঞ্চরবু ৬-৩, ৬-২ দা থোইরল্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা ২১শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটকা লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা রুশিয়াগী এন ভিখলিয়ান্টসেভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৩-৬, ৬-১, ৬-৩ দা থোইরল্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

জর্মনিগী কর্বরনা মরিশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবী ৯শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ২৪শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এন সুরেনকোবু ৬-২, ৭-৫ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারন ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসকী মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট ৩-৬, ৬-৭(৩-৭) দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসনা মরিশুবা রাউন্দদা ২৭শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্বা ৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোই জে এল ষ্ট্রুফকী মখূত্তা ৩-৬, ১-৬ তা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

জে এল ষ্ট্রুফকা ৪শুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিলোস রাউনিকনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী এম জিরোনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।



ক্রোসৱার্দ ৯৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | R | A | | N | E | W | S | | B | R | U | N | T |
| A | P | O | P | | A | L | O | U | | A | U | R | A | E |
| G | A | T | O | R | B | O | W | L | | R | I | G | G | S |
| E | R | O | D | E | | | S | T | E | R | N | E | S | T |
| | T | R | A | C | T | S | | A | G | A | | | | |
| | | | L | O | O | K | I | N | G | G | L | A | S | S |
| L | I | P | | N | E | A | R | | S | E | A | S | O | N |
| O | T | I | C | | | T | E | D | | | D | A | D | A |
| A | L | T | H | E | A | | N | O | I | R | | P | A | P |
| F | L | Y | I | N | G | S | A | U | C | E | R | | | |
| | | | | T | O | P | | R | E | M | I | S | S | |
| D | I | V | E | R | G | E | S | | | A | F | T | E | R |
| A | D | I | E | U | | N | A | M | E | P | L | A | T | E |
| S | E | E | L | S | | D | U | E | S | | E | R | I | E |
| H | A | D | S | T | | S | L | A | T | | S | E | N | D |


# কে এল রাহুল বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা থাক অমা হাইগৎখ্রে

*দুবাই, মার্চ ১২ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি ফোঙদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা টি-২০ বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন কে এল রাহুল থাক অমা হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওপনর কে এল রাহুল হন্দক্তঃ ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা টি-২০ ক্রিকেট সেরিজদা মেটচ অনীদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী হান্না লৈরম্বা থাক্তগী মফম অমা হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

টি-২০ বেট্টিংদা পাকিষ্টানগী বেটসমেন বাবর আজমনা খ্বাইদগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি।

বোল্লরগী টি-২০ রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদব মেটচ ২ শান্নবা য়াওখিদবদগী থাক অমা হন্থরগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। বোল্লিংদা আফঘানিষ্টানগী রসিদ খাননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। আদিল রসিদনা বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

টি-২০ টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা পুন্না পোইন্ট ১২২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। পাকিষ্টাননা পুন্না পোইন্ট ১৩৫ ফংদুনা ইন্দিয়াদগী পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা অহানবা মফম কনবা ঙল্লি। অদুগা ইংলেন্দগী টিমনা পুন্না পোইন্ট ১২১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

# জোস্না চিনাপ্পানা মালেসিয়াগী লিজেন্দ নিকোল দেবিদ থোইখ্রে

*কাইরো (ইজিপ্ত), মার্চ ১২ঃ*

ইজিপ্তকী কোনুং কাইরোদা পাঙথোকপা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন ৱার্ল্ড টুর গোল্ড ইভেন্ট অমা ওইরিবা ৱুমেন্স ব্লেক বোল স্কৱাস ওপনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পানা মালেসিয়াগী লিজেন্দ নিকোল দেবিদপু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা গেম অনী জোস্না চিনাপ্পানা মালেসিয়াগী শান্নরোই নিকোল দেবিদপু য়াম্না লায়না ১১-৮, ১১-৬ দা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈগী য়াম্না অকন্নবা লম্বা মায়োক্নরক্তুনা পোইন্ট ইন্ন-ইন্নদুনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পানা ফজবা হেনখিবদগী মালেসিয়াগী নিকোল দেবিদপু ১২-১০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। জোস্না চিনাপ্পানা অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ইংলেন্দগী সারাহ জানে পেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই জোস্না চিনাপ্পানা ঙসি নিকোল দেবিদ মায়থিবা পীখিবা অসি কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিল থাগী মতুংদা ওইরি।

# সেরি এদা রোমানা ইম্পোলিবু ২-১ দা থোইবা ঙমখ্রে

*রোম, মার্চ ১২ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রোমানা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৯শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই ষ্টেফান ইল সারাৱিনা চনবা ঙমদুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা ইম্পোলিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোমাগী শান্নরোই জুৱান জিজসনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৩ শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেত্রিক স্কিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা রোমানা ইম্পোলিবু ২-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু অরেম্বা তানখিবদগী মেটচ অদু রোমানা ইম্পোলিবু ২-১ দা থোইরমখি। মেটচ অসিদা রোমাগী শান্নরোই আলেসান্দ্রো ফ্লোরেঞ্জি শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী মখা তানা শান্নবা য়াওহনখিদে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Salam, Imphal West
Ref. : Mutation Case No.120/SDC/ IW/Salam of 2019

Konthoujam Sangai Leima W/o (L) Nahakpam Budhi Meetei of Ngairangbam Awang Mamang Leikai
Petitioner

-Vs-

Late Nahakpam Budhi Singh S/o (L) N. Modhumangol Singh of Ngairangbam
O.P.

**NOTICE**
The 12th March, 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৭৮-ঙাইরাংবম পাট্টা নং ৭৮ / ৪১৩ অনৌবা দাগ নং ১৪৭৪ গী এরিয়া .৩২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। নুপী দরখাষ্টকারী অসিনা মহাক্কী মিংদা পানবিনবা হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগী লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam (I/W) Manipur

SL/Bill(L)(B)/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Moirang
Ref. : Mutation Case No. 431/SDC/Moirang dt. 11/3/19

1. Ningthoujam Heramot Singh
   S/o Late Ningthemjao Singh of Thanga Salam Leikai
2. " Mangoljao Singh S/o Late Ibochouba Singh of -do-
3. ,, Ibosana Singh S/o Late Ningthemjao Singh of -do-
4. ,, Ningthemba Singh S/o Late -do- of -do-
5. ,, Shyam Singh S/o Late Ibochouba Singh of -do-

-Vs-

1. Late Ningthoujam Ningthemba Singh
   S/o (L) Amuba Singh of Thanga Salam Leikai
2. " " Chaoba Singh S/o Late Tomba Singh of -do-
3. " " Ibochou Singh S/o -do- Mantri Singh of -do-
4. " :" Kerani Singh S/o -do- of -do-
5. " " Mani Singh S/o -do- Tomba Singh of -do-
6. " " Yaima Singh S/o -do- Chaoba Singh of -do-

**NOTICE**
Moirang, the 11st March, 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৫-Thanga দা লৈবা পাট্টা নং ২৮৪ অনৌবা সি এস দাগকী নং ৩০৩ এরিয়া ০.১৫ ওকর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃঃ ওইখ্রবা কো পাট্টাদারশিংগী ইমুং মনুংশিংনা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা হায়রিবা লম (ইংখোল) অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি (য়েৎপীরবা) য়াগনি। করিগুম্বা হায়রিবা মতমসিদা লাকপীহৌদবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্ট অসিগী নিয়মগী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Moirang

SL/4524/13

OFFICE OF THE
CHIEF ELECTORAL OFFICER: MANIPUR

**RE-TENDER**
Imphal, the 11th March, 2019

5/ELEC/VTMS/LS-2019: The Chief Electoral Officer, Manipur, invites e Tender from reputed firms for Vehicle Tracking and Management System for movement of EVMs and VVPATs in connection with Lok Sabha Election,2019.

2. Interested firms may submit tender online through e-procurement/tender portal https://manipurtenders.gov.in.

3. Details can be downloaded from the following websites: www.manipurtenders.gov.in and www.manipur.gov.in.

SL/Bill/13

Sd/-
(Ramananda Nongmeikapam)
Joint Chief Electoral Officer, Manipur

Memo No. 5/ELEC/VTMS/LS-2019

Imphal, 11th March,2019